Tuesday, November 29, 2022, Imphal

HUEIYEN LANPAO

# হৈঙাং চীংথক্তা শারিবা শগোল কাংজৈগী মীতম সঙাই ফেষ্টিভেল নংহৌদ্রগসু মীয়ামগী পূক্নিং হুবা মফম অমা ওইরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : হন্দক চহীগী ওইনা মফম কয়াদা পাঙথোক্লিবা সঙাই ফেষ্টিভেলগী মফমশিংগী মনুংদা হৈঙাং চীংগী মথক্তা শারিবা শগোল কাংজৈ পোলোগী মীতম অসিনা খ্বাইদগী হেন্না ফজবা অমদি পূক্নিং চিংশিন্নিংঙাই ওইবা মফম অমা ওইরে হায়না সঙাই ফেষ্টিভেলগা ঈরোয়ননা মণিপুরগী মফম কয়াদগী লাকপা মীওইশিংনা ফোঙদোক্নরক্লি।

সঙাই ফেষ্টিভেলগী নুমীৎ ৮নি চনবা নুমীৎকা ঈরোয়ননা হৈঙাং চীংথক্তা লৈরিবা শাবা লোইশিল্লক্লবা সঙাই ফেষ্টিভেল নংনবা কন্না হোৎনরবসু শাবা লোইশিনবা ঙমহৌদ্রবা শগোল কাংজৈগী মীতম অসিবু য়েংবা লাকপা মীওইগী মশীং নোংম-নোংমগী লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লি। শগোল কাংজৈগী মীতম শারিবা মফম অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মফমশিং য়েংবদা পূক্নিং হুনিংঙাই ওইবদা নত্তনা য়াম্না ঈংনা চিক্না লৈবনা মীয়াম্না য়েংবা লাকপদা পূক্নিংদা নুংঙাইবা অমদি ফাওরি। চীংথক অসিদগী শগোল কাংজৈগী মীতম য়েংলগা হেক লৈথোরকপা মতমদা মায়কৈ মরিমক্তা তম্পাক লমগী ফজরবা মৈ ঙাল্লবা মফমশিং অদুনা অমুক্কা হেন্না মীয়ামদা পূক্নিং শুক্ষৎহল্লি। শগোল কাংজৈ শারিবা হৈঙাং চীংথক ফাওবা চৎলিবা লম্বী অসিসু য়াম্না ফজনা শেম্বদা নত্তনা মচু কয়াগী লৈতেংনা শেম্বা শাবা অমদি শগোল কাংজৈগী মীতম শেমগৎলিবা কেম্পস অদুসু পূক্নিং হুনিংঙাই ওইরি।

ঙসি নুমীদাংৱাইরম হৈঙাং চীংথক্তা লৈবা শগোল কাংজৈগী মীতম য়েংবা লাকখিবা মীওই খরনা ফোঙদোরকখিবদা, নবেম্বর ২১দগী হৌদুনা পাঙথোরকখিবা সঙাই ফেষ্টিভেল অসি ইরমদম মণিপুরগী ওইনদি য়াম্না চাউথোকচনিংঙাইনি। ফেষ্টিভেল অসি চহী-চহী খূদিংগী পাকথোক চাউথোরক্তুনা ঙসিদি চীং অমদি তমগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা পাঙথোক্নরক্কে। মসিনা মরম ওইরগা মতম অমদা চীং অমদি তমগী মরক্তা দিভেলপমেন্টকী থবক্তা অমসুং য়েংশিনবীদে হায়না ফাওনরম্বা ৱাখল্লোনদু ঙসিদি তপ্না তপ্না মাঙবা হৌরক্কে। ফেষ্টিভেল অসিগী মনুং চন্না মোইরাং খুনৌদা, হাপ্তা কাংজৈবুংদা, বোটতা, মপান কাংজৈবুং, কংলা মনুং, মাওদা, চুড়াচান্দপুরগী বেহিয়াংদা, চুড়াচান্দপুরগী গেলজাং রিজোর্ট অমদি ইবুধৌ মার্জিংগী লৈরিবা খুভম লোয়ননা মসিগী মনুং চন্না হৈঙাং চীংথক্তা শেমগৎলিবা শগোল কাংজৈগী মীতম পুম্নমক য়েংবদা পূক্নিং হুনিংঙাই ওইরি। অদুবু হায়রিবা মফমশিং অসিদা শেমগৎ-শাগৎলিবা খূদিংমক্তগী খ্বাইদগী হেন্না পূক্নিং হুনিংঙাই অমদি মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিনফমদি শগোল কাংজৈগী মীতম অসিনা ওইরে হায়না ফোঙদোরকখি।

ঙসি নুমীদাংৱাইরম শগোল কাংজৈ মীতম য়েংবা লাকখিবা অতোপ্পা অমনা ফোঙদোরকখিবদা, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা সঙাই ফেষ্টিভেল মায় পাক্নবা হোৎনবীরকখিবা অদু তশেংনা মায় পাক্লে হায়বা য়াই। ফেষ্টিভেল অসি অমুক্কা হেন্না মায় পাক্নবগীদমক হয়েং নবেম্বর ২৯ অমদি নবেম্বর ৩০গী নুমীৎপু হাফ হোলিদে লাউথোরকখিবা অসিমক্নসু সঙাই ফেষ্টিভেল অসি য়েংনবগীদমক ওফিসকী থবক তৌজরিবা মীওইশিংদা মতম ফংলগনি। ফনা কন্না হোৎনরবসু সঙাই ফেষ্টিভেল নংবা ঙমহৌদ্রবা শগোল কাংজৈগী মীতম অসিদি পুম্নমক্কী পূক্নিং হুবা হায়বদু ওইরে। অসিগুম্বা মণিপুরগী লেমজনিংঙাই ওইরবা মালেমদা শক তাক্লিবা শগোল কাংজৈবু হৈঙাং চীংথক্তা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা শাবীরিবা অসিগীদমক্তসু থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মথংগী সঙাই ফেষ্টিভেলদদি শগোল কাংজৈগী মীতম অসি অমুক্কা হেন্না মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিন্নিংঙাই ওইবা মফম অমা ওইরগনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।



# কোদোম্পোকপীদা লৈঙাক্কী ৱারেপ হন্দোকউ হায়দুনা মৈরা খোঙচৎ চৎখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্না হৌখিবা চহীসিগী সেপ্টেম্বর ২০দা য়ু লিগেলাইজেসন তৌনবা লৌখিবা ৱারেপ অদু হন্দোক্কদবনি হায়না মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কোলিসন এগেনষ্ট ড্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) অমসুং তোঙান তোঙানবা লূপশিংগা পুন্না চথরকপা খোঙজংশিংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি নুমীদাংৱাইরম পুং ৭ তাবা মতমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কোদোম্পোকপীদা মীয়ামগী ওইবা মৈরা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে হায়না কাদাগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম আনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা কোদোম্পোকপীদা লৈঙাক্কী য়ু লিগেলাইজেসন তৌবগী ৱারেপ হন্দোকউ হায়না চৎখিবা মৈরা খোঙচৎ অদু ওল মণিপুর ৱিমেন সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভেলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ), কোদোম্পোকপী অপূনবা মৈরা পায়বী অমদি কাদাগা পুন্না পাঙথোকখিবনি।

ঙসি চৎখিবা মৈরা খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়াম্না মণিপুরদা য়ু লিগেলাইজেসন তৌবা য়ারোই, কেবিনেটকী ৱারেপ হন্দোকউ, য়ুদগী মণিপুর মীয়াম কল্লু অমদি হৌরক্লিবা নহাশিংবু ময়াই কাবা চীঙাক্তগী কনগদবনি হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়া লাউদুনা খোঙচৎ অদু চৎখি। য়াম্লবা কোদোম্পোকপীগী মীয়াম্না মপুং ওইনা শরুক য়াদুনা চৎখিবা খোঙচৎ অদু কোদোম্পোকপী ময়াইদগী খোঙশানবা হৌদুনা কোদোম্পোকপী মমাঙ লৈকায় ফাওবা চৎখি অমসুং লমথাখিবা মফম অদুদা অমুক হল্লক্তুনা মীয়ামগী ওইবা অপূনবা মৈরা খোঙচৎ অদু লোইশিনখি হায়রি।

# ‘মণিপুরগী ফজরবা শক্তম অমদি সঙাই ফেষ্টিভেল উরুবদা মণিপুরদা অমুক হন্না লাক্লিংবা ফাওই’

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেলগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবা ইম্ফাল লিটরেচর ফেষ্টিভেলদা শরুক য়াবা লাকখিবা শ্রীলঙ্কাগী মমিং লৈরবা অইবা লোয়ননা ফ্যেরৱে এন্দ গোদেজ এৱার্দ ফংখ্রবা অয়াথুরাই সন্থাননা মণিপুরগী ফজরবা শক্তম অমসুং হৌজিক চথরিবা সঙাই ফেষ্টিভেল অসি উরুবদা মণিপুরদা অমুক হন্না লাক্লিংবা ফাওহল্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

থা অসিগী ২৫দগী চথবা হৌখিবা নুমীৎ হুম্নীগী ওইবা ইম্ফাল লিটরেচর ফেষ্টিভেলগী থৌরম অসি ঙরাং মায় পাক্না লোক্তাক্তা লৈবা মনধা আইলেন্দদা লোইশিনখি। ফেষ্টিভেল অসিদা শরুক য়াবা লাকখিবা মমিং লৈরব অইবশিংনা লিটরেচরগা মরী লৈনবা থৌরম কয়াদা শরুক য়ারম্বগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা পাঙথোক্লিবা সঙাই ফেষ্টিভেলগী থৌরমশিংদসু শরুক য়ারমখি। মোইরাং খুনৌদা লৈরিবা সঙাই ইথনিক পার্কতা চৎতুনা তোঙান তোঙানবা কম্যুনিটিশিংগী ইথনিক হটশিং অসি উবদা অপেনবা অমসুং নুংঙাইবা ফোঙদোক্লমখি। মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা কাঙলুপ কয়াগী মশকসু ফেষ্টিভেল অসিনা তাকপা ঙম্লে হায়নসু ফোঙদোক্নরমখি।

নুমীৎ হুম্নী চথখিবা লিটরেচর ফেষ্টিভেল অসিগী থা অসিগী ২৮দা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমীদা হৌদোক্লবা মতুংদা মার্জিং পোলো কমপ্লেক্সতা মণিপুর অমসুং মপানগী য়াওনা অইবা ১২০ লোম্না মশানা ইবা ৱারীমচা অমসুং শৈরেং পাথোক্লখি। ঙরাং লোইশিনবগী থৌরম অদুদা লোক্তাক্তা লৈরিবা মনধা আইলেন্দদা মখল কয়াগী শৈরেং পাবা অমসুং ৱা ঙাংবগী থৌরম পাঙথোকখি। বাংলাদেশকী ধাকাদা লৈবা বাংলা একাদেমীদা দেপ্যুটি দিরেক্টর ওইরিবা এম দি সহাদট হুসেননা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদা অহানবা ওইনা লাকপদা উরিবা শক্তমশিং অসিনা ঐখোয়গী পূক্নিংবু শুক্ষৎলে। ঐখোয় পুম্নমক লিটচরেচর ফেষ্টিভেল অসিনসু অমত্তা ওইহনবা ঙম্লে। মসিসু অচৌবা মায় পাকপা অমনি হায়খি।

ইন্দিয়া অমসুং মপান্দগী লাকপা অইবা ১৮না শরুক য়াখিবা ফেষ্টিভেল অসিগী অরোইবা নুমীৎতা লোক্তাক্কী ঈয়ায়দা হি তোংদুনা শৈরেং পাবা অমসুং ঈশৈ শকপগী থৌরমসু পাঙথোকখি হায়রি।

# রাষ্ট্রিয়া অৱিস্কার অভিয়ানগী মনুং চন্না সমগ্র সিক্ষ্য ষ্টেট প্রোজেক্ট ওফিসনা শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মহৈরোয়শিং লম কোয়বা পুবগী থৌরম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : রাষ্ট্রিয়া অৱিস্কার অভিয়ান (ইলিমেন্টরি)গী মনুং চন্না ক্লাস সিক্সতগী আইট ফাওবগী ওইবা গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংগী মহৈরোয়শিংবু মণিপুরগী টুরিষ্ট সেন্টরশিংদা কোয়হন্দুনা ৱাখল লৌশিং লৈহন্নবগী পাদমদা ষ্টেট প্রোজেক্ট ওফিস সমগ্র সিক্ষ্য (ইলিমেন্টরি)না শীন্দুনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা লমথাবা হৌখ্রে হায়রি।

লমকোয় খোঙচৎ অদু ঙসি ককচিংগী ওইনা জেদ ঈ ও ককচিংপি অচৌবনা লমথাখি। খোঙচৎ অদুদা ককচিংগী ওইনা তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংগী মহৈরোয় ১৬০ অমদি ওজা ৮না শরুক য়াখি হায়রি।

রাষ্ট্রিয়া অৱিস্কার অভিয়ান (ইলিমেন্টরি)গী মখাদা ষ্টেট প্রোজেক্ট ওফিস সমগ্র সিক্ষ্য (ইলিমেন্টরি)না অহুমশুবা ফেজগী ওইনা পাঙথোক্লিবা এক্সকর্সন ট্রিপ অসি অহুমশুবা ফেজগী ওইনা পাঙথোকপনি। নবেম্বর ২২দা সমগ্র সিক্ষ্য মণিপুরগী এদিসনল ষ্টেট প্রোজেক্ট দিরেক্টর অলফ্রেদ জমলাল্লুন খৌতেনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না এক্সকর্সনগী ট্রিপ অসি কাংপোকপী, ককচিং অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংগী ক্লাস সিক্সতগী আইট ফাওবা তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী ওইনা পাঙথোক্কদবনি।




এক্সকর্সন ট্রিপ অসি মহৈরোয়শিংদা এদ্যুকেসননল এক্সপরিয়েন্সনচিংবা পীবগী মথক্তা অকোয়বদা লৈরিবা ফীভমশিংবু খঙহন-উহন্নবগী পা দমদা নবেম্বর ২৮ অমদি ২৯দা পাঙথোক্কদবনি। ট্রিপ অসিদা মহৈরোয় ৬০০ রোম্না শরুক য়াগনি। লোয়ননা স্কুলগী ওজা ৬০ রোমসু শরুক য়াগদৌরি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা হয়েং নবেম্বর ২৯দা মহৈরোয় ২৪০ অমদি ওজা ১২ য়াওনা চৎকদৌরি। খোঙচৎ অসিগী মনুং চন্না মণিপুরদা লৈরিবা মণিপুর জিওলোজিকেল গার্দেন, কংলা ফোর্দ ম্যুজিয়ম, মণিপুর সাইন্স সেন্টর, মণিপুর সাইন্স এক্বারিয়ম সেন্টর, লোক্তাক লেক, কৈবুল লমজাও নেসনল পার্কনচিংবা মফমশিংদা পুদুনা অঙাংশিংবু মীৎ-না শিংহন্নবা হোৎনগনি হায়রি।

মহৈরোয়শিংগীদমক পাঙথোক্লিবা এক্সকর্সন ট্রিপ অসি সমগ্র সিক্ষ্য ষ্টেট প্রোজেক্ট ওফিসনা শীনবনি হায়রি।

# থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা প্রাইমারী হেল্থ সেন্টর নোংপোক সেকমাইদা গ্লোবেল আইওদিন দিসওর্দরস প্রিভেন্সন দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : গ্লোবেল আইওদিন দিসওর্দরস প্রিভেন্সন দে ২০২২গী থৌরম থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ঙসি প্রাইমারী হেল্থ সেন্টর নোংপোক সেকমাইদা পাঙথোকখ্রে।

থাইরোদ এন্দ কম্যুনিকেসন হায়বা থীমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ মেদিকেল ওফিসর থৌবাল ডা. ৱাই নোকুলনা থৌরম মপু, পি ঐচ সী নোংপোক সেকমাইগী মেদিকেল ওফিসর ইন-চার্জ ডা. ও দেবদাস অমদি সী এম ও ওফিসকী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম মেনেজর সী ঐচ বসন্তনা মথংশিংনা থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।



অশা ৱার্করশিং, পি ঐচ সীগী ষ্টাফশিং অমদি অকোয়বগী মীয়াম্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট কম্যুনিটি মোবিলাইজ এম দি রিয়াজ সৈখনা প্রোগ্রাম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীখি। প্রাইমারী হেল্থ সেন্টর নোংপোক সেকমাইদা পাঙথোকখিবা গ্লোবেল আইওদিন দিসওর্দরস প্রিভেন্সন দেগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা চীফ মেদিকেল ওফিসর থৌবাল ডা. ৱাই নোকুলনা ফোঙদোকখিবদা, আইওদিন ৱাৎপনা মীরোনবীদা, অঙাংদা অমদি মীয়ামদা থোক্নবা খুদোংচাদবা কয়া ফোঙদোক্লদুনা হায়খি, আইওদিন ৱাৎপনা মীরোল্লিঁৈদা অঙাং লাইয়ৈ চৎপা, শোয়নাইবা অঙাং পোক্নবা, অঙাং শিনা পোকপা, শিংলি নাওরি শোকপা, থিক নেম্বা, ৱাখল লৌশিং ৱাৎপা, উনসা থাগৎপা, পোমখৎপা অসিনচিংবা তৌগল্লি। অঙাংশিং অমদি ইনখৎলক্লিবশিংদা খৌ পোম্বা অমদি থাইরোইদকী মথৌ ৱাৎপা থোকহনবা য়াই। অহলশিংদসু গোইটর নাবা, থাইরোইদকী মথৌ ৱাৎপা অমদি ৱাখল লৌশিং ৱাৎপনচিংবা থোকহনবা য়াই। মরম অদুনা নুংতিগী শীজিন্নরিবা থুমদা য়াওরিবা আইওদিনগী কান্নবা লৌমিন্নসি। লোয়ননা মীপুম তীংনা হীরম অসিগী মতাংদা খঙনবা হোৎনবদা ঐখোয় পুম্নমক্কী থৌদাং লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুগী মতাংদা সী এম ও ওফিসকী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম মেনেজর সী ঐচ বসন্তনা ফোঙদোকখিবদা, নুংতিগী ঐখোয়না শীজিন্নরিবা থুম অসিদা য়াওরিবা আইওদিনগী শরুক মাঙহন্দনা থম্বা মথৌ তাই। থুম লৈবা মতমদা নুমীৎনা থোকপা সিম্বোল য়াওবা হায়বদি আইওদাইজ সোল্ট হায়না থাবা থুম লৈবীগদবনি। ঐখোয়না আইওদিন হাপ্পা পাত্রা অদু মখুম চেৎনা খুমজিনবীগদবনি। লোয়ননা ঐখোয়না এঙ্গাংদা থুম থাকপা মতমদা আইওদিনগী শরুক অদু মনিল ওইনা মাঙহন্দনবগীদমক এঙ্গাং থাংদরমদাইদা থুম হাপ্পীগদবনি। য়ুমদা চানরিবা থুম অসি আইওদিন য়াওই নৎত্রগা য়াওদে খঙননবগীদমক লৈকায়গী অশা ৱার্করশিংনা য়ুম-য়ুমদা চৎপা আইওদিন টেষ্টিং কিট পুদুনা চেক তৌরি। মসিদা মীয়াম্নসু মতেং পাংশিনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সী ঐচ বসন্তনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, অঙাংশিং খক্তা নত্তনা অহলশিংদসু আইওদিন ৱাৎপনা মখল কয়াগী অনাবা অমদি হকচাং শোন্থনবগী অচৌবা মরম ওইহল্লি। মরম অদুনা তঙাইফদনা ঐখোয়না শীজিন্নরিবা থুম অদুদা আইওদিনগী শরুক য়াওবা খক্তমক শীজিন্ননবা হোৎনগদবনি। লোয়ননা লৈকায়দা লৈমিন্নরিবা মীওইশিংদসু আইওদিন ৱাৎপদগী থোক্লকপা য়াবা লায়নাশিংদগী কলচহৌনবগীদমক মখোয়দসু আইওদিন ৱাৎপনা লায়না কয়া থোকহল্লকপা য়াই। মরম অদুনা আইওদিন য়াওবা থুম খক্তমক শীজিন্নগদবনি হায়বা ৱাফমশিং খঙহনগদবনি হায়খি।

ঙসি পাঙথোকখিবা গ্লোবেল আইওদিন দিসওর্দরস প্রিভেন্সন দে ২০২২গী থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা অশা ৱার্করশিংনা থুমদা আইওদিন য়াওব্রা নৎত্রগা য়াওদবরা হায়বগী টেষ্ট তৌদুনা মীয়ামদা উৎখি।

# মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : কলচরেল ট্রেনিং ইন্সটিট্যুট ইম্ফালগী ওফিস বিয়াররশিং নৌনা খনখিবগা লোয়ননা ইন্সটিট্যুট অসিগী জেনরেল বোদি মীফম অমা ইম্ফালগী হোটেল মিলিনিয়মদা পাঙথোকখ্রে হায়না কলচরেল ট্রেনিং ইন্সটিট্যুট ইম্ফালগী সেক্রেটরি কম সেন্টর সুপরিন্টেন্দেন্ট সী ঐচ বন্দনানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইম্ফালগী হোটেল মিলিনিয়মদা পাঙথোকখিবা কলচরেল ট্রেনিং ইন্সটিট্যুটকী জেনরেল বোদি মীফম অদু সেন্টর অসিগী ফাউন্দর শক্লাইরবী শৈশকপী লাইশ্রম মেম্মানা চ্যেরমেনশিপ ওইদুনা পাঙথোকখি। সেন্টর অসিগী প্রসিদেন্টনা কে ঐচ বিরেন, টি ঐচ কামেশ্বরনা প্রিন্সিপাল কম ট্রেজরর অমদি সী ঐচ বন্দনানা সেক্রেটরি কম সেন্টর সুপরিন্টেন্দেন্ট ওইনা খনখি।

ঙরাং পাঙথোকখিবা কলচরেল ট্রেনিং ইন্সটিট্যুট অসিগী জেনরেল বোদি মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা ইন্সটিট্যুট অসিনা পায়খৎলক্কদবা থবক থৌরমশিং অমদি পাঙথোক্কদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখিবগা লোয়ননা ৱারেপ কয়াসু লৌখি হায়রি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৯। ১১। ২০২২ ইং, লৈবাকপোকপা; অয়ুক পুং ১১.০৫ ফাওবা পোইনুগী ৬ নি পাল্লি, মতুং ৭নি পাল্লনি।

মেষ: অনম তানবা, মতাং চাদনা থৌনা ফুদোকপনা মাঙজবা লৈগনি। খন্থরগা পাঙবদি শোয়দনা মায় পাক্কনি, শেন্দোং চাওগনি, মরুপ লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

বৃষ: খোয়রাংবা, ৱা য়াম্না ঙাংবসু য়াদবা, খুৎ চাওবনা মীপায়নিংঙাই ওইবা নুমিৎনি। অচুম্বা নত্তনা কনাবুসু থাজগনু, লাই-গুরুগী ৱা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম খরা লৌখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

মিথুন: থাজদবা মরমদগী কান্নবা ফংগনি, লম চৎপা য়াগনি, পাউ নুংঙাইবসু তাগনি। অফা-অপুনগী থবক্তা য়াওগনু, হৈ-শিংবা শাবসু মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মীগী মতেং লৌবা য়াগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

কর্কট: হরাওবা, নীংবা থুংবা, অনৌবা থবক পাঙবা মায় পাকপা অমদি মরুপ মপাং পুনবা কান্নগদবা নুমিৎনি। নাইতোম ৱারেপ অরুবা লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

সিংহ: অঙনবদা নীংবা মপা চাদ্রসু লম অয়াম্বদা মায় পাক্কনি। থৌনা ফুদোকপা য়াগনি, অনীংবা ফোঙদোকপসু মতাং চাই, য়েৎনবসু কোক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কন্যা: চরাঙনরদি মতম মাঙগনি, য়েক্নবনা য়েৎপা অমদি ঙাংবা কন্দবৈ মাঙজবা য়াবা নুমিৎনি। মীনদি থাগৎপি, অচুম্বা উপায়না চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম মাঙবনা হেনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

তুলা: মীয়াম্না পাম্নবা থৌপাঙবনা খ্বাইদগী হেন্না নুংঙাইজবা অমদি অফবা ওইগনি। হুরান-চিন্থি নংবা য়াই, হেন্না আশা চাওবসু কান্নফম খঙলোই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃশ্চিক: কোক শাবা খরদি লৈগনি-নোল্লুক্না চৎচরদি ফৈ। নথক থোংবনদি চানবীগনি, মীয়াম্নসু য়াই। অদুবু ফিংলদি খৎন-চৈনবা নংবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী- মরীদি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

ধনু: মায় পাকপা, মী ঙম্বা, নচা-ননাই চাওখৎপা নুমিৎনি। নচাক নরলদা হান্নগুম য়েৎনবা খরা লৈবা নত্তনা মীনা ইকায়খুম্নবীবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

মকর: মীচঙ হেনগৎপা, ৱাখল থোকপা, অনৌবা আশা লাকপা নুমিৎনি। শেন্দোং তানবদদি খুৎচাও থাহৌরো। মরুপ কায়নদনবদি হোৎনৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কুম্ভ: অচুম্বনা পাঙ্গলনি, নচাক নরল চাওখৎনবা হোৎনবদি মতাং চাগনি, অরাপ্পা মফমদগীসু কান্নবা ফংজগনি। য়েৎনরদি চাদিং হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- থেংলপ্না নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

মিন: শেন্দোং য়াম্না লৈগনি, মফম চানা নচাক নরল থাদবা য়াগনি- তুংদা চাওনা ওইজ-ওইথক ফংলক্কনি। চিন কনবদি অঙম্বনা তাথিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# ভিজিট তৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : তুপুল লেন্দস্লাইদকী লাইবক থীবা থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা থৌনা ফবা সোল্জরশিংগী য়ুনিক ৱার মেমোরিএলদা চৎতুনা এন এফ আরগী জি এম অন্সুল গুপ্তুনা য়েংশিনখ্রে হায়না মেজর এন দানিশনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

খোঙচৎ অদুদা রেলৱেগী ওফিসলশিংসু শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মেগা রেলৱে প্রোজেক্ট অসিদা থবক শুরিবা মীওইশিংনা হৌজিক হৌজিক করম্বা ফীভমদা লৈরি অমদি করম্বা মওংদা থবক শুরি হায়বনচিংবসু য়েংশিনখি। য়েংশিন খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা আর্মি ওফিসলশিং অমদি রেলৱেগী ওফিসলশিং য়াওনা প্রোজেক্ট অসিদা থেংনরিবা অমদি মায়োক্নরিবা হীরম কয়াগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। রেলৱে প্রোজেক্ট অসিদা থবক শুরিবা মীপুম খূদিংমকপুসু মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোকখি হায়রি।

# লমদম অসিগী নুপী অইবীশিংগী শৈরেংদা লৈবাক নীংবগী সেমিনার পাঙথোকপগা লোয়ননা বাংলাদেশকী দেলিগেটশিং হরাও তয়াম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী নুপী অইবীশিংগী খুৎইদা লৈবাক নীংবা হায়বা হীরমদা ষ্টেট লেভেল সেমিনার অমা ঙসি পিপলস রিপব্লিক ওফ বাংলাদেশকী সুপ্রীম কোর্টকী এদভোকেট এস সী সিনহানা সঙাকফম কৈথেলদা লৈবা হোটেল লনচেনবদা হৌদোকখ্রে হায়না পি এ দব্লিয়ু এফকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এ কে গ্যানেশ্বরিগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম (পি এ দব্লিয়ু এফ) মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মণিপুরী নুপী অইবীশিংগী শৈরেংদা তারিবা লৈবাক নীংবগী মশক্তা নৈনখিবা ঙসিগী সেমিনারগী থৌরম হৌদোকপগী মনুং চন্না মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেল ২০২২দা শরুক য়াবা লাক্লিবা মণিপুরী কলচরেল কমপ্লেক্স বাংলাদেশকী আর্টিষ্টশিং অমদি দেলিগেট ৩৭সু হরাও তয়াম্না ওকখি। সেমিনার হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী উপ-অধক্ষ্য এল বোবিনা অথোইবা মীথুংলেন, ফোরমগী পেট্রোন মেম্বরশিং ডা. এস মনাওতোন অমদি কোঞ্জেং দিলিপনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।



ঙসি পাঙথোকখিবা নেসনল লেভেল সেমিনার অদু শক্লাইরবা অইবা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী ডা. এস লনচেনবা মীতৈনা মোদরেটর ওইখি। সেমিনার অদুদা ডা. ৱাহেংবম কুমারীনা মেমচৌবীগী শৈরেংদা তারিবা লৈবাক নীংবগী মশক, ডা. সনসম নবদ্বিপনা য়েংখোম ইন্দিরাগী শৈরেংদা তারিবা লৈবাক নীংবগী মশক, ডা. ময়া নেপ্রমনা বর-কন্যাগী শৈরেংদা তারিবা লৈবাক নীংবগী মশক, লাইশ্রম লেনিননা ইবেমপিশক্কী শৈরেংদা তারিবা লৈবাক নীংবগী মশক, ডা. অথোকপম উমাবতিনা খাঙেম্বম ইবেতোনগী শৈরেংদা তারিবা লৈবাক নীংবগী মশক, ডা. হাওবিজম চনু প্রেমানা খ্বাইরাকপম অনন্দিনিগী শৈরেংদা তারিবা লৈবাক নীংবগী মশক অমদি ডা. সলাম শান্তিবালানা চোংথাম ওংবী সুবদনিগী শৈরেংদা তারিবা লৈবাক নীংবগী মশক হায়বা হীরমসিদা চে পাথোকখি।

সেমিনার হৌদোকপা থৌরম অদুগী অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী উপ-অধক্ষ্য এল বোবিনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরগী নুপী অইবীশিংগী শৈরেংদা লৈবাক নীংবা হায়বা সেমিনার অমা শীল্লকপা অসিমক্না লমদমসিগী অইবীশিংনা মরৈবাক মরমদমবু কয়াম নুংশিবগে হায়বদু খঙবা ঙম্লগনি। ঐখোয়না ঐখোয়গী ইমা ওইবীশিংবু ঈকায় খুম্নবা তঙাইফদে। ইমা হায়বসি নুপী ওইবীশিংনি। নুপী ওইবীশিংবু অৱাংবা থাক্তা থম্লবা মতমদতা খুন্নাই অসি মাঙলোমদা চঙশিনবা ঙমগনি হায়খি।